## ফ্লাইট কেন্সেল তৌখ্রে

টোকিয়ো, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
মতিক ময়াই লৈরবা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী সমুদ্র খোংবানশিং তম্না শীৎচিল্লক্তুনা মফম কয়াদা নোং কন্না চুবদগী লৈবাক অনী অসিদা ফ্লাইট ১০০০ রোম তঙাইফদনা কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি।

সাউথ চাইনা সীদা শেমখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু জপান মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা হৌজিক ফাওবদা টাইফুন অমনি হায়না লাউথোরক্ত্রি অমসুং জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী সমুদ্র খোংবানশিংদা শীৎলক্লি হায়রি।

## এক্সিদেন্টতা ২৬ শিরে

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
পাকিস্তানগী গিলগিট-বাল্টিস্তান রিজনদা নোংমাইজিং নুমিত্তা পেসেঞ্জর বস অমা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা য়ামদ্রবা মীওই ২৬ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১০ হেন্না অশোক-অপন নংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। এক্সিদেন্ট অদু বস অদুনা স্কারদুদগী রাৱলপিন্দি তম্না লাকপদা দাইমর দিষ্ট্রিক্টকী ববুসার পার্কতা থোকখিবনি।

# ফোরেন ফোর্সশিংদা ইরাননা ৱার্নিং তৌখ্রে



টেহরান, সেপ্তেম্বর ২২(এজেন্সি) :
ফোরেন ফোর্সশিংনা গল্ফকী সিক্যুরিটিদা অকিবা পোকহল্লে হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱার্নিং তৌখ্রে। লমদম অদুদা অনৌবা ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌরগনি হায়না যু এসনা লাউথোকখিবা মতুংদা রৌহানিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থা অসিগী ১৪ দা সাউদি অরাবিয়াগী মরু ওইবা ওইল ফিল্ড অমা অমসুং পেট্রোলিয়ম প্রোসেসিং ফেসিলিটি অমদা এটেক তৌখিবগা মরী লৈননা যু এসনা সাউদি অরাবিয়াগী ঙাকশেলগী ফিভম ফগৎহন্দবগীদমক্তা অহেনবা ট্রুপশিং থারগনি হায়না ৱাশিংটন্না লাউথোকখিবা নোংমখক কান্নরগা রৌহানিনা যু এস ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌদুনা চেকশিন ৱা অসি হায়খিবনি।

য়েমেনদা যু এননা শৌগৎপা গভর্নমেন্টকা লান্থেংনরিবা ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হৌথি রেবেলশিংনা এটেকশিং অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবসু যু এস অমসুং সাউদি অরাবিয়া অনীমক্না ইরানবু এটেকশিং অদুগী মতাংদা মরাল শীরিবনি। টেহরান্নদি মখোয়গী ক্লেম অদু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈরি।

ফোরেন ফোর্সশিংনা ঐখোয়গী মীয়াম অমসুং ঐখোয়গী লমদম অসিগী সিক্যুরিটিদা চাওনা অকিবা পোকহনবগা লোয়ননা প্রোব্লেম কয়া থোকহনবা য়াই হায়না বি বি সীনা কুমজা ১৯৮০-৮৮কী ইরান-ইরাক ৱার হৌখিবগী নীংশিং কুমওনগা মরী লৈননা টেলিভিজনদা ৱা ঙাঙখিবা রৌহানিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

মমাংদা ফোরেন ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌখিবা মতমদা লমদম অদুদা অকায়বা কয়া থোকহনখিবদা নত্তনা অদুগুম্না ফোর্সশিং অদু মখোয়গী পান দম ফংবসু ঙমখিদে হায়রদুনা মহাক্না গল্ফতা ফোরেন ফোর্সশিং লৈতনবা আপিল তৌখি। মপানগী পাৱরশিংনা পুকচেল শেংলবদি মখোয়না ঐখোয়গী লমদমবু খুৎলায় লমজেল তান্নবগী মফম অমা ওইহল্লোইদবনি। মখোয়না ঐখোয়দগী থাপনা লৈরিমখৈ ঐখোয়গী সিক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলক্কনি হায়না রৌহানিনা মখা তাখি।

# ইরাননা এটেক তৌরক্লবদি মদু লানগী থৌওংনি হায়না লৌগনি : সাউদি অরাবিয়া



রিয়াদ, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
হৌজিক চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসন অমনা হৌখিবা চয়োলদা ইরানগী মায়কৈদগী সাউদি অরাবিয়াগী ওইল ফেসিলিটিশিংদা চথুখিবা এটেক অদু হায়না উৎলবদি কিংদম অসিনা মদুগী লানগী থৌওংনি হায়না খন্নগনি, তৌইগুম্বসুং রিয়াদনা হৌজিক হীরম অসিগী মতাংদা মরা তপ্পা মওংদা ৱারোইশিন অমা লাকহন্নবা হোৎনরি হায়না সাউদি অরাবিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সাউদি অরাবিয়াগী ওইল ফেসিলিটিশিংদা কাপশিল্লকখিবা মিসাইলশিং অমসুং দ্রোনশিং অদু ইরাননা শাবা অমসুং ইরানিয়নশিংনা সপ্লাই তৌখিবা ওইবনা এটেকশিং অদু ইরাননা পাঙথোকখিবনি হায়না ঐখোয়না লৌই হায়না সাউদি অরাবিয়াগী ফোরেন এফ্যেরসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অদেল অল-জুবিয়রনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা সী এন এনদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, এটেক অমা ইরানদগী থাঙ্গৈশেংনা লোঞ্চ তৌবা ওইরবদি ৱাফম অসি তোঙানবা মওং অমদা লাক্তুনা ঐখোয়না মদু ঐখোয়দা লানগী থৌওং চথুবনি হায়না লৌগনি। জুবিয়রনা মমাংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা ইন্টরনেসল ইনভেষ্টিগেটরশিংদসু য়াওবিনবা হায়খ্রবা এটেকশিং অদুগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা ইনভেষ্টিগেন অমগী রিজল্টশিং রিয়াদনা ঙাইরি হায়খিবনি।

# বিদেননা ট্রম্পকী ফোন কোলগী মতাংদা থিজিন্নবা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
যু এসকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট জো বিদেন অমসুং মহাক্কী মচানুপাগী মরমদা থিজিন্নবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা যুক্রেনগী মহাক্কী লেংমান্নবদা প্রেসর পীখি হায়বা রিপোর্টকী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা কুমজা ২০২০ গী দেম্মক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল নোমিনেসনগী ফ্রন্ট রন্নর অমা ওইরিবা জো বিদেননা থাংজ নুমিত্তা আপিল তৌখ্রে।

অসিগুম্বা থৌওং অসি পাৱর লান্না শীজিন্নবগী মতিক চারবা খুদম-চাংদম অমনি। যুনাইটেদ ষ্টেটসতগী মতেং লৌবা পাল্লিবা ফোরেন লিদর অমগা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা ঐহাক্কী মরমদা হংবা অমদি ৱাফম কয়া খন্নবা হায়বসি য়াম্না চুমদবা অমদি লৈবাক অসিগী লিদরনা তৌফম থোক্তবা থৌওংনি হায়না হীরম অসিগা মরী লৈননা খোইরাং খোইশাওনরবা বিদেননা আইওৱাদা ইলেক্সন কেম্প্যেন মনুংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, ট্রম্পনা অসিগুম্বা থৌওং চথুরিবসি ঐহাক্না মহাকপু ইরাই লায়না মায়থিবা পীগনি হায়বসি মশানা খঙজবদগীনি। ঐঙোন্দা খরদা ওইরবসু শোকহন্নবগীদমক্তা ট্রম্পনা পৱার লান্না শীজিন্নরি অমদি প্রসিদেন্সিএন্সিগী ইথিল শীজিন্নবা মতম পুম্বদা হোৎনদুনা লৈরি।

ট্রম্পনা হৌখিবা জুলাই ২৫ দা যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিকা ফোনদা ৱারী শান্নখিবগী থৌদোক অমনা যু এসকী লিদর অসিগা যুক্রেনগা চথনরিবা দিল্লিংশিংগী মতাংদা ৱাথোক অমা লাকহনখিবনি। ট্রম্পকা যুক্রেনগা মমাংদগী হৌনা করি করম্বা হীরমশিংদা মরী লৈনদুনা লাকপগে হায়বগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনন্না কোংগ্রেসতা ফোঙদোক্তনা লৈরি।

ট্রম্পনা জেলেন্সকিদা বিদেননা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মতমদা মচানুপা চেন্নবা গ্যাস কম্পনি অমগী দিল্লিংগী মতাংদা থিজিল্লিবা প্রোসিক্যুটর মফম লৌথোক্ত্রবদি যু এসকী মতেং ফাজিন্দুনা থমগনি হায়না কিহনখি হায়বগী মতাংদা থিজিন্নবা হঞ্জিন-হঞ্জিন তকশিনখি হায়না ৱাল্ড ষ্ট্রিট জর্নেল অমসুং অতৈ ন্যুজ আউলেটশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙখিবনি।

# সোমালিয়াগী পাইরেটশিংনা ফাজিনখিবা ইরানগী হিরোয় ১ থাদোকখ্রে



নাইরোবি, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
চাবা থকপা ৱাৎপদগী শিবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লবা সোমালিয়াগী পাইরেটশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা ইরানগী হিরোয় অমা থাদোরক্লে হায়না হিরোয় অদুবু থাদোকহন্নবগী নিগোসিএসন্দা মতেং পাংখিবা হান্নগী বৃটিশ আর্মি ওফিসর অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা রোইটর্সতা ফোঙদোকখ্রে।

হিরোয় অদু থাদোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক সোমিলিয়াদা অতোপ্পা ইরানিয়ন অহুম মখা তানা ফাজিন্দুনা লৈরি হায়রি। নুপা অদু শরূ পোল্লাং ঙাক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা শিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরিবনি। মহাক্কী হকচাং মনুংদা ব্রিদিং তৌরে। মহাক মতম শাংনা চারক থক্লক্তবগী নৎত্রগা চাবা থকপা ৱাৎপগী প্রোব্লেম চাওনা লৈরে। অতৈসু মহাক্না মান্নবা ফিভমদা লৈরমগনি হায়না ঐঙোন্দা চিংনবা লৈ হায়না থবক্তগী পোথারবা বৃটিশ কর্নেল অমা ওইরিবা জোন ষ্টিদনা ফোঙদোকখি।

ষ্টিদনা লমদম অদুদা চহী কয়ামুক থবক তৌদুনা সোমালি পাইরেটশিংনা ফাজিনখিবা মীওইশিং থাদোকহন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০১৫গী মার্চতা পাইরেটশিংনা হায়জেক্ত তৌখিবা হি অমগী ক্রু মেম্বর ২১ গী মনুংদা ইরানিয়ন মোহমদ সরিফ পানাহন্দেহসু য়াওরিবনি। পাইরেটশিংনা ফাখিবশিংদুগী মনুংদা মীওই ৮ শিখ্রে, ৫ না নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে অমসুং হৌখিবা চহীদা ইরান্না হোৎনবদগী ৪ অমনা থাদোকহনখ্রে হায়রি।

শেলগী মতাংদা কন্না য়েৎনরকখিবা মতুংদা পাইরেটশিং অদুনা হোষ্টেজশিং অদু তোঙান তোঙান্না খায়দোক্তুনা থমখি হায়না ষ্টিদনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না হিরোয় পানাহন্দেহ অসি পাইরেটশিংনা শোয়দনা শিরগনি হায়না খনবদগী শেল অমত্তা পীবা তৌদনা থাদোকখিবনি। যুনাইটেদ নেসন্স অমসুং ষ্টিদকী হ্যুমেনিটরিয়ন গ্রুপ হোষ্টেজ সপোর্ট পাটনরসিপনা ইরানগী হিরোয় অদু থাদোকহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংখি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অবাস মৌশাবিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি। মহাক্না সোমালিয়াগী সেমি-ওটোনোমস পুন্টলেন্দগী ওথোরিটিশিংবুসু থাগৎখি।

# হরিকেন লোরেনা মেক্সিকোদা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ ওনখ্রে



মেক্সিকো সিটি, সেপ্তেম্বর ২২ :
বাজা কালিফোর্নিয়া পেনিন্সুলাগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোংবান পরিংদা লন-থুম কয়া মাঙহন-তাকহনবগা লোয়ননা পাৱর সপ্লাই চাওনা ফেল ওইহনখিবা হরিকেন লোরেনা মেক্সিকোগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদম মায়কৈ পাংনা শীৎলকখিবদা মতিক ময়াই হন্থরক্তুনা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ ওনখ্রে হায়রি।

মেক্সিকোগী নেসনল মিটিওরোলোজিকেল সর্ভিস (এস এম এন)না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, নোংলৈ নুংশিৎ অদু বাজা কালিফোর্নিয়া সুরগী লোরেটোগী অৱাং অমসুং অৱাং নোংপোক্কী মরক্কী মায়কৈদা কিলোমিটর ৮৫ লাপ্পা গল্ফ ওফ কালিফোর্নিয়াগী মথক্তা লৈরি। মদু সোনোরা ষ্টেটকী সিটি অমা ওইরিবা গুইয়ামাসকী খারোমদা কিলোমিটর ১৪৫ লাপ্না লৈরিবনি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদু পুংদা কিলোমিটর ১৯গী খোঙজেলদা অৱাং পাংনা শীৎলি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিদা য়াওরিবা নুংশিৎশিংগী খোঙজেলশিং মরক মরক্তা পুংদা কিলোমিটর ১০০ ফাওবা য়ৌই হায়রি।

ৱেদর ওফিসনা মেক্সিকোগী সোনোরা, বাজা কালিফোর্নিয়া সুর, চিহুৱাহুৱা অমসুং দুরাংগো ষ্টেটশিংদা নোং কন্না চুগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ৱেদর ফোর্কাষ্টকী মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুম অঙনবদা সোনোরাদা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়ননা থুংলগনি।

লোরেনানা বাজা কালিফোর্নিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোংবান পরিংদা অকনবা শাফুগা লোয়ননা শীৎলকখিবদা লোস প্লেন্স, এল সর্জেন্টো, লা ভেন্টানা অমসুং লোস বেরিলিসতা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি। উ কয়া অমসুং ইলেক্ট্রিক পোল কয়া ফুকখিবগা লোয়ননা নুংশিৎ অদুনা শোকহল্লবা ষ্টেটশিংগী মরু ওইবা মফম কয়াদা পৱার সপ্লাই ফেল ওইখি। খুঙ্গংগী মফমশিংদা য়ুম-কৈ কয়াসু অমাঙ-অতা কয়া থোকখি।

# স্পেনদা সোসলিষ্ট পার্টিনা নবেম্বর মীখলদা চাওনা মায় পাক্কদৌরি



মাদ্রিদ, সেপ্তেম্বর ২২(এজেন্সি) :
স্পেনদা লাক্লিবা নভেম্বরদা মীখল পাঙথোকপা তারবদি লৈবাক অসিগী সোসলিষ্ট পার্টিনা মায় পাক্তুনা হান্নদগী সীট মশিং হেন্না ফংগনি হায়বসি পোল অনীনা নোংমাইজিং নুমিত্তা উৎখ্রে।

অমরোমদা, পোলশিং অদুনা পার্টি অসি মেজোরিটি সীট মশিং য়ৌগদবা খরা ৱাৎপনা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বদা হান্নগুম্না মখা তানা অতৈ পার্টিশিংগী মতেং চঙগনি হায়বসু উৎখ্রে।

হৌখিবা এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা নেসনল ইলেক্সনদা সোসলিষ্টশিংনা সীট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ঙমখ্রবসু এক্তিং প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সানচেজনা অতৈ পার্টিশিংগা পুল্লগা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা ঙমখিদবদগী লৈবাক অসিদা চহী ৪ গী মনুংদা ৪রক শুবা ওইনা নভেম্বর ১০ দা মীখল অমুক পাঙথোকপগী ফিভম লাকখিবনি।

কুমজা ১৯৭০ গী মতুংদা স্পেনদা দিমোক্রেসি চৎনবা হৌখিবদগী লৈবাক অসিগী পোলিটিক্স দোমিনেট তৌদুনা লাকখিবা মহৌশাদগী লৈরক্লবা মরু ওইবা পার্টি অনী হায়বদি সোসলিষ্ট পি এস ও ঈ অমসুং কঞ্জার্ভেটিভ পিপলস পার্টি (পি পি)না মীখলদা সীট মশিং খ্বাইদগী হেন্না ফংবা ঙমগনি হায়বসি পোলশিং অদুনা উৎখি।

পার্টি অনী অসিনা সীট মশিং খ্বাইদগী হেন্না য়াম্না ফংগদৌরিবসি ফাইনান্সিএল ক্রাইসিস লাকখিবদগী নৌনা থোরক্লকখিবা পার্টিশিং ওইরিবা ফার লেফ যুনিদাস পোদেমোস, সেন্টর-রাইট সীয়ুদানোস অমসুং ফার রাইট ভোক্সকী পোপ্যুলরটি হন্থরকপদগীনি হায়না লৌনরি।

জি এ দি ৩গী পোল অমনা সোসলিষ্টশিংনা হান্নদগী সীট ১১ হেন্না ফংদুনা পুন্না সীট ১৩৪ ফংবা ঙমগনি হায়বসি উৎখ্রবসু মশিং অসি মেজোরিটি মশিং ১৭৬ য়ৌগদবা য়াম্না ৱাৎলিবনি।

## সিঙ্গাপোরদা খুদোংথিবা থাক য়ৌরে

সিঙ্গাপোর, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
ইন্দোনেসিয়াগী উমং কয়াদা লাম্মৈ চাকপনা মরম ওইদুনা সিঙ্গাপোরদা থোরক্লিবা এয়র পোল্যুসনগী চাং নোংমাইজিং নুমিত্তা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরে হায়রি।

এয়র ক্বালিটিগী চাং নোংমগী মমাংদা ফিভম খরা খরা ফগৎলল্লবসু নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা পোল্যুটেন্ট ষ্টেন্দর্দ ইন্দেক্স (পি এস আই) ১০৩ অমসুং ১০৮কী মরক্তা লৈবদগী নেসনল ইনভাইরনমেন্ট এজেন্সিনা মদু হকচাং শোকহনগদবা রেঞ্জকী মনুং চল্লি হায়রদুনা মীয়ামদা মপান থোক্তুনা হকচাংগী পাঙ্গল শীজিন্নবা থবকশিং অমদি অকনবা মওংগী হকচাং শাজেলশিং তৌদনবা পাউতাক পীখি।

এয়র পোল্যুসনগী চাং অসি নুংশিৎকী মায়কৈ অমদি ইন্দোনেসিয়াদা পাক শন্না লাম্মৈ চাক্লিবা উমংশিংদগী থোকহল্লকপা মৈখুগী ফিভমগী মতুং ইন্না খঙহৌদনা হোংবা য়াই হায়রি। পোল্যুসনগী চাং ৱাংনা লৈরবসু ফোর্ম্যুলা ৱান সিঙ্গাপোর গ্রান্দ প্রিক্স হান্না লেপখিবগুম নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা হৌরগনি হায়না থাজনরি। ইন্দোনেসিয়াগী সুমাত্র অমুসং বোর্নিও ইথৎশিংদা দ্রাই সিজন লৈবগা লোয়ননা ইথৎ লৈবাক অসিগী উমং কয়াদা লাম্মৈ চাকপগী ফিভম থা অসিদা খঙকন কনশিল্লকখি অমসুং হৌজিক ফাওবদা লম হেক্তর ৩২৮,৭০০ হেন্না অবমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

# হৌথিশিংগী পিছকী ইঙ্গিৎ যু এন এনভোইনা তরাম্না ওকখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্তেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়াগী মায়োক্তা তাথিবা মওংদা মিলিটরিগী থবক থৌওং কয়া চথুবা লেপ্পগনি হায়না হৌথি রেবেলশিংনা লাউথোকখিবা ৱাফম য়েমেনদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবগা মরী লৈননা হাপ্পা যু এনগী স্পেসল এনভোই মার্টিন গ্রিফিথনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌথি রেবেলশিং অমসুং য়েমেনি গভর্নমেন্টগী মরক্তা অমনা অমগী প্রিজনরশিং থাদোক্নবগী এগ্রীমেন্ট থবক্তা ওন্থোকপগী ৱাফমদা হৌথিশিংনা য়ানিংবা ফোঙদোরকখিববুসু মহাক্না তরাম্না ওকখি। যু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোর্নিও গুটরেসকী প্রেস ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হৌথি মুভমেন্টনা মতম শাংলক্লবা য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদুগী মতাংদা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা থুনা লাকহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোরক্লে হায়না পনখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং, মিলিটরি কনফ্লিক্ট অমদি কান্নদবদা হুন্নবগী থৌওংশিং হন্থহনবগীদমক্তা তঙাইফদবা খোঙথাংশিং থুনা লৌখৎপা পাল্লিবা গ্রিফিথনা হায়খি মদুদি, হৌথিশিংনা অল্লাহগী মিংদা থম্মোয় শেংনা য়েমেনদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নিংবগী ইঙ্গিৎ পীরক্লিবসি লমদম অদুদা লান লেপ্পগনি হায়বগী মেসেজ অমা ওইবা য়াই।

স্পেসল এনভোই অসিনা পার্টি খুদিংমক্তা ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটরিয়ন লো ইকাই খুম্নবা, য়ারিমখৈ পুক্লিং ফাথনবা অমসুং য়েমেনবু মখা তানা রিজনেল টেন্সনশিংদা পুশিন্নবা হোৎনবা লেপ্পবা নৌহৌননা আপিল তৌরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা পীবা ব্রিফিং অমদা গিফিথনা সাউদি ওইল ফেসিলিটিশিংদা এটেক তৌবগী থৌদোক অসিনা য়েমেনবু অচৌবা রিজনেল কনফ্লিক্ট অমদা পুশিল্লকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱা হায়খিবনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TOURISM

ADDENDUM
Imphal, the 21st of September, 2019

**No. 1/437/2019-DTSM(pt):** In continuation to this Directorate Notification of even number dated 07/09/2019 regarding Notice inviting tenders in respect of works related to Manipur Sangai Festival, 2019 , it is hereby notified for information to all the bidder that , the Department of Tourism will adopt " Quality cum Cost base Selection " (QCBS) method to evaluate the bids .

The Technical parameters and the qualifying criteria shall remain the same as notified in this Directorate Notice inviting tender/ Request for Proposal (RFP) dated 07/09/2019. The Technical parameter/Bid as notified is reproduced as below :

Technical Bid (Total of 50 Marks):
a) Relevant Experience in their filed(20 marks)

| Sl. No. | Duration of Experience | Marks |
|---|---|---|
| 1 | 0 – 6 months of experience | 0 |
| 2 | 6 months to 3 years of experience | 10 |
| 3 | 3 years and above of experience | 20 |

b) Similar assignments with Department/Corporations of Govt. of Manipur or other Tourism Departments/ Boards of Other States/ Ministry of Government of India , etc (10 marks) (Appendix IIIA)
c) Presentation (PPT) before the 'Selection Committee' on the detailed plan, designs, concepts and new innovative ideas for the scope of work (20 Marks)

The Total Marks so scored from the above mentioned criteria shall be adjusted out 100 marks being the Technical score / weight age for the calculation under the QCBS method .

The qualifying score for the Technical bid shall be 60 marks (i.e. 30 marks as notified adjusted out of 100 marks )

The Financial bids of only those Bidders who scores 60 marks shall be opened and evaluated as per the QCBS method.

Further , as per the QCBS method , weightages of both Technical and Financial bids shall be evaluated in the proportions of 60:40 .

The date for Bid evaluation of Technical Bid and presentation is hereby fixed on **08/10/2019 instead of 01/10/2019**.

The above mentioned provisions shall be deemed to have been notified ab-initio.

The Notification may be downloaded from the government Website www.manipurtourism.gov.in and www.manipur.gov.in

Sd/- Yumnam Suraj Singh
**Deputy Director, Tourism, Manipur**

HL-B/5685/23